# চিতাথক্নী কুন্দো পারেং

শংলাকপম অচৌ শর্মা

# চিতাথক্কী কুন্দো পরেং

শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা



মালেম অইকোল
খাবম লমখাই, ইম্ফাল ইষ্ট

**Chita-thakki-kundo-pareng**

*A collection of two hundred lyrical poems*

by **Shanglakpam Achou Sharma**

Publish by **Sh Sovarani Devi**, Heingang,
Mantripukhri Imphal East-795002
for **Malem Ayeeikol**, Khabam Lamkhai,
Imphal East-795002

অহানবা ফোঙবা ঃ আগষ্ট, ২০১২

কোপি মশিং ঃ ৫০০

মমল ঃ লুপা ১৫০ /-

মখুম ঃ হেনবি থিযাম, হৈঙাং

©কোপিরাইট ঃ অইবা

লাইরিক ফংফম ঃ অইবগী যুম মকওইবা লাইবিক যোনফমশিং

নম্ফম ঃ নমযানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল

ঈশৈদি মীযামগীনি

মশিনি ঈশৈ

মশিনি পুন্সি

# মালেম অইকোলগী মায়কৈদগী

মতম কুইন্নদগী ইম্ফালগী অরাং থংবা মায়কৈসি সাহিত্যগী লমদা মমি ইতা তাদবগুম্না লৈবকখি। মবম অসিদগী অরাংপা অসি মেনশিন্নবগীদমক সাহিত্যবু নুংশিজবা ৱাখল মান্নবা অইবশিংনা 'মালেম অইকোল' খাবম লমখাইদা তাং ২/৫/১৯৯৩ ইং দা লিংখৎখি। মসিদা মকওইনা মাঙজিল থাখিবা অমদি মক ওইবা থৌপুবীখিবশিংদি ৱাহেংবম নিংথেম শেঞ্জম কুল্লা, তোমশিং বাইখুবা তোংব্রম গুলামজাৎ, অমসুং শংলাকপম অচৌ শর্মানি। থৌনা পীবিখিবা অমদি লমজিং লমতাকপিখিবশিংনা অবাঙ্খম সমরেন্দ্র, অবিবম চিত্রেশ্বর শর্মা এন ডি ইবোতোন এন তোম্বী, ডা সি এইচ নবেন্দ্র আই এস কাঙজম অসিনচিংবা অসিনি।

ঐখোয়গী অইকোল অসিগী পান্দমদি মায়কৈ অশোমদা লৈবিনশিংবু সাহিত্যগী লমদা খোঙজাকনবনি। মাসা শন্না হায়বদা মসি অরায়বা নত্তে হিরম অসিগীদমক বার্কসোপ কয়া মথং মথং পাঙথোকখ্রে। হৌজিক্তি ঐখোয়গী মেম্বরশিংনা ইজবা শৈরেং অমসুং পাবি মচাগী লাইরিক ৯ পুথোকখ্রে। ফজনা যাজদবনা অমনি। ঐখোয়না থমজখিবা পান্দমদুমদি মায় পাক্লমাক্লে খঙ্জে।

অকোনশিং অসিগী লীচিং মখাদা হৌজিক নব রেজিষ্টর তৌদি অসিগী থৌ পুনীবাশিংনা বায়খোম মহেন্দ্র মঙাঙ, বাই মণিমোহন, এন মথংসনা, আই বাবু, দব্লিউ যসোবন্ত্র অসিনচিংবনি। সাহিত্য একাদেমী কোলকাতাগা খুৎশম্না তাং ১৬/১/২০১২ ইং দা 'অশৈ লৈ থৈ, লৈকোল (মতাইদা) সাহিত্যগী থৌরম মায়পাক্লা পাঙথোকখ্রে। মসিদা এন খগেন্দ্র অমসু এইচ বীহারি সিংহনা অচৌবা থৌদাং লৌবীখি অমসুং থৌরমদা শরুক য়ানিখি। লোয়নবা মালেম অইকোলদু সাহিত্য একাদেমীদা শরুক তাবপিখি।

অইকোল অসিগী মখাতানা খোঙজংদি ঐখোয়গী অইবশিংগী ফোঙলকদবা লাইরিকশিংসি অইকোল অসিগী মখাদা ফোঙনবনি মবম অদুনা হিরম অসিগী অতানবা খোঙজং ওইনা শংলাকপম অচৌ শর্মাগী 'চিতাথক্কী কুন্দো পরেং' হায়বা মিংথোনবা ঈশৈ মচেক্কী লাইরিক অসি পুথোকচবি। ঈশৈ অসিমক্তা মীয়ামগী থমোয়দা মচু শংখ্রবনিনা ঐনা অমুক হায়ডাকবগী ইতিক ওইদ্রে খনজে।

**বায়খোম মহেন্দ্র মঙাঙ**

তাং ৩০/৮/২০১২

খাবম লমখাই

প্রসিদেন্ট মালেম অইকোল

# চিতাথক্কী কুন্দো পরেং

কমদ নুংশিত্থনা থাইহনো। হেব তাবদা থম্মোয়দা পাম্মি। কাযন-মৈশা লাংহৌববী কন্নাওম্বী অমনা চিতাগী মৈরী যেংনা হেক হাবদিবগুম ফাওই। চহী কয়া শুবনো খঙদ্রে, লেডিওনা হেব তাবনা থ্রৈ খোমনাংখি থিনি খি অইবা অজা অচৌ। শংলাকপম অচৌ শাখী। অহি পী অংথুজা অহি দা থ্রৈনা ইথান হায়া তাখিননি। মমকশিংদু ওস্তোক্কা হত্রুজগ্রে।

অদুগু কমদ চপা চৈনা লেংলবা। চৈনাখোনগী থৌরম অমনা অঙাংসি হেক খংলবা থ্রৈনা [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

নীংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী গ্রীক লৈবাক্তা ঈশৈগী কাঙলোন লৈবল্লে, ভাবতসু অদু মঙায়। গ্রীক লোন্দগী লাকপনি, বাহৈ, lyric অসি। মখোযনা মখল অনী খাযদোকই। মী অমতনা যন্ত্র অমা যাওনা শকপবু melic কৌই। অদুগা অনী নৎত্রগা মযাম পূল্লা শকপবুনা choric কৌই। যন্ত্র যাওনা কবিশু ম্বদা জগোয যাওনা মপাম্খোংগী ফজনবা শিজিন্নবিবা যন্ত্রগী বাদি তোঙান্না থমখ্রগা, লুবিবসি মযেক্কুবু শক্কদৌবিবা ঈশৈ শকপগী খোঞ্জেল তাল-মেন, হৈ-শিংবা যান্নমক মক ওইবি। অদুনা মযেক্কা হকচাংনি, ঈশৈদুনা থরাযনি হাযনবিবনি। অফাওবা বোলিবুদকী ম্যুজিশ্নিয়ান স্টিং (Sting) হাযবদুনা হাযঃ মযেক্কা মুর্তিনি, ঈশৈদুনা ফিজোলনি। অনৌসি পূল্লগা তাব যাবিবনি, নৎএবদি মুর্তিনা মুর্তি ওইনা মফি থোক্দনা লৈর্খিনি অদুগা ঈশৈদসু ফি চৎলুন অমগুম মদোম তাদুনা লৈগনি। মসিনা তাকপদি মযেক্কা ঈশৈগা মমল চপ মান্নে হাযবনি। অদুবু অফাওবা মযেক ইবা গুলজর (Gulzar) নদি হায অ ঐগী ঈশৈ মযেকপু মফি কোগোক লৌথোক্লুনা যেংলে হিংবা ঙম্লে ঈশৈ ওইনা শক এনসু। ফজবা শৈরেং অমা ওইনা।' মাগী বাহৈদা "I undressed my lyrics but realised that the lyrics survived on their own without the mannequin of visuals" এসিনা তাক্লি ঈশৈ ওইনা শকত্রগা মযেক শিগদবা নত্তে মযেক মদোম হি ভবা উঙবা তাই। অদুগ চংদা শৈরেংদোনা লৈবদি যাদে। বাহৈশি দু মশাগী মুজিক যাওহনবা উমগদবনি। মসিনু ই বাজিদা বাঙ মেলোডি (word melody or music) কৌনি। গুলজরনা হায়বিবসি কনাদা চমখ্রবা। মযেক অদু মশাগী মুজিকপু যাওজনবদি শক্লসু শক এসু লম্বায পাল্লবনি। মতাংসিদা গুলজরনা চংগী শৈরেংগা ঈশৈ মযেক্কা খেন্নদু মসি হাযবি "A poem is a personal expression of the poet whereas in a lyric the expression is primarily that of the character arising out of the situation A poem is not necessarily singable whereas a lyric has to be set to music " হায়দা চংনা হাযবিবনি।

ইংলিশ বাইদ অমদু কন্না ম্যুজিকেল মেলোডিকেল ওইহনবগী হাযনা সিন্না হায়ে। [illegible] lyric [illegible] "lyric is the outward expression of a single feeling or emotion It appeals more to the heart than to the intellect" [illegible] feeling [illegible] (thought) [illegible] mind's

return কৌই। মসিগী অরোইবা তাঙ্কক অসিদা কবিদুগী অচুম-অবানগী রাখল (mood of reason) অদু লাকই। মথমোয় লাকশিল্লকই, ইমোসন, ফিল্লিংসকী শাফুনা পূবা ওন্নক্তে, অফ ফত্ত্র রাখলনা মথক থংলকই, intellectual ওইরকই, judgement পীরকই, পি কংদনা মোমোন তৌবরা নৎত্রগা স্বব চাউনা হোন্দুনা থমোয় ফাথত্রা অমা ওইবা তাই। মসিগী অরোইবা তাঙ্কক অসিবু ঐথোযবোমদা অনীশুবা অস্তবা কৌনবি।

অদুনদি কযাদা লুপ্তরা কাঙলোয়ো? মসিনা ওইবা তাই, ফজবা ঈশৈ হায়না শীংথানবিবা মযেক যাম্না থোক্রকত্রিবা। বেডিওগী চিঠী পাউখুমদা মযেক ইবা ২০০ হেক্লে হাযবকখি, অদুবু মীয়াম্না শিংথাজবিবদি মখোয থবদনি। খুৎ থেক্তুনা পাব যাবি। মখোয থবদুগী মনুংদা অজ্ঞা অচৌ চিথবম্বা যাবোই, শোন্নবদা যাওবি মাগী মযেকশিং ঃ (১) *চিতাথক্কী কুন্দো পবেং, পুন্সিগী অবোইবা নুংশি খুদোলনি, চম্লবী নুজাগী মিৎলু পিবাংনা, চাম্লবা লৈবাংনি লৌবীযুনে তবাম্না।।* (নমায় ১৮, চিতাথক্কী কুন্দো পবেং)

বযাদা থমোয কাযনা হাংখ্রবা মযেক্লা। অতোবা কবম্বা থমোযনা থাঙবা ঙমগনি মযেকসিদা। অদুগা অম্লবসু লৈবি মাগী মযেক ঃ (১) *হাযনৈ নঙবু লমজানি নঙনা লমজা ওইবসু, নিংঙোল ঐগীদি থনাংনি।।* (মসিমদি লাইনিকসিদা যাওদে) অমব ওইহৌবদোবা মযেক ঙাঙনি। মসিদা... কবি অচৌগী কনমদগী খোৱব্রিবা। হন্দক্কী লাইনিক অসিদা ঈশৈ ২০০ যাওবি। ভুঙা জুঙা নমদুনা নমায ১০০ পাম্লি। ইবগী মতমদি চহী ২০। লামগী মনুংসিদা তোঙান তোঙানবা নুমিত্তা ইবনি। অদুবু ভানিথবী মতুং ইন্না মথঙ মনাও লাইনা শেম্বা নওনা না হেক যে বদা হাযবা রায।

অরোইবদা মমিং লৈবনা মযেন ইবা ৯৯। মথঙ মথঙ ফোঙনক্তুনা ঈশৈদা পাম্নখিবা মযেকশিংদু ঐথোযবু পাব ফংহনবীযু হায়জনি। অইবসিগী ঈশৈ মযেব অমনা ঐগী পাউদমজবা অসি লোইশিঙ্গগে।

*মেবাগী থাবলনা*
*ঙৌবা ফিজোল ওইদুনা*
*নঙ ঐ চৎমিন্নখিবা*
*লম্বী অদু নীংশিংউ।।*

*হাযবোই ঐদি কবিসু*
*যেৎলোই নঙগী লম্বীদা*
*থনখো নদোম লেপ্তুনা*
*ননিং ওম্না চৎলবা*
*মতুংদুদা নহাক্লা*
*নথুৎমক্লা নশাদা*
*মৈ চুবদি তাহন্নু।।*

-সলাম তোম্বা

# থমোয়গী ৱাফম খরদং

শংলাকপম অচৌ শর্মা, অঙাং ওইবিরৈঙে স্কুলদগী তিন্নবকখিবা মকপনি। মতম অমদা মহাক্না অসুম্না অইবা ওইরক্কনি হায়বসে ঐখোয় অমত্তনা খনখিদে মঙোন্দা। মতমদুদা অইবা ওইবকপা যাবগী মম্মি অমতা তাখিদে ঙসিদি অইবা ওইবে। অদুবু তৌজিকসু তিন্নবদদি অইবগী ওইবা অহোংবা অমত্তা উদে। মহাক্কী "চিতা থক্কি কুন্দো পবেং" হায়বসি তাকপদা ইথন্তাগী থমোয়দা নাহং কয়া কয়া থোববই। থোংনা নৌনা ইনখংলকলিবী নুপিমচা অমনা লোম্না নুংশিজবিবা মাগী অবোয়বা খোংচংবি চিত্তাদা কবিগী ফোংনা কুন্দো পাবং শিন্নবনিবা / মথংদনা 'হায়নি নঙবু লমজনি থমোয় শেংনা নুংশিবদা নাইবদা ইনাক খুনবা থাগদে হায়বদু ওংথোক্লা ফজনা শৈথাই। 'কাযনা পিবাং অসিনা ' 'পোকনু। লাতুক উবগা' — অইবা অসিগী মশক নাইবা খুংথানি তশেংনমক অইবসি ঈশৈ নংবু ভুদি নায়পাক্লে হাগজনি ই। খাঙলকদৌবিবা লাইবিক অসিসু মায পাকপা ওইসনু।

২৫ ৯ ২০১২

বাংখেম মনিচন্দ্রা
লাইফম খুল্লৌ

# হায়জনিঙবা খরদং

ডি এম কলেজদা ইলেক্তিভ মণিপুরীগী ছাত্র ওইনা ওজা এলাংবম দিনমনিগা শক খঙনবগী খুদোঙচাবা ফঙখি। ওজানা নুংশিবিদুনা এ আই আব দা লমজিংবিখি। মতম অদুগী প্রোগ্রাম এজিক্যুটিব তামো খুমন্থেম প্রকাশতা শিন্নবিখি তামোনা ঈশৈ মযেক কুন্নমঙা ইবগা-থাগৎলকউ তাকপিবকপদগী লৈখিদ্রবা মকুপ অহৈবম শ্যামনা ঐনা ইজবিবশিংদুদগী খন্দোক্লগা থাগৎপিখি, লোযননা তামো প্রকাশনা ঐবু এ আই আব দা পুথোকপিখি।

ইন্দিরা গান্ধিগী ১৯৭৫ গী মতমদা হিবম কুনগী মবমদা, ঈশৈ মযেক ইবগী মতাংদা অমুক মতমদুগী ম্যাজিক প্রদুশব লৈখিদ্রবা তামো চান্দম 'গোপালগা নকশিন্নবকখি। হিবম অসিগী মতাংদা ঈশৈ কযামুক ঐবু ইহনখি। মতম খবাগী তুংদা থাগী ঈশৈ-ইনবা তাকপিবকখি। মসি ঐগীদি অহানবনিনা, ইবগী মতাংদা হংলুবদা অসুম্না তাকপিবকখি। ইবদা যাদবা হিবম অমতা লৈতে যানবা ইগদবনি, যানবা ইবগা য়াবে, যাদনবা ইবগা যাদবে কুপ্না খঙবা ঙম্মু হাযবগা মখা তাদে। মসি চাংযেং অমনি খনবদগী তুমিন্না লাকলে। ঐহাক কোক ফজনা চিকখি। মসি ঈশৈ পুথোক্কদৌবিবদুগী রাফমনি। হিবম কুনগী মতাংদা ইবদদি মখোযনা হান্না নমথোকলগা পাথোবকলবনিনা থোযদোক্না লুখিদে। ঐসু যেংলগে খন্দুনা রাফমসি ভাব তাদনা মযেক অমা ইবগা পিশিল্লুই। মযেকতু যেংলগা অমুক হাযবকখি হেক্তা ফোংদোকনু, হাযবগা মযেক তু হন্দোবকখি। ঐ অমুক হেন্না কোকশি চিকখৎলকখি। ঐনা খনখি কবিনো হেক্তা ফোঙদোক্কনু হাযবিবসে, ফোংদোকতনা কবম হাযনা ইগদৌবিবনো। রাফমসিগী মতাংদা ঐনা অসুম খনখি, অসুম খল্লবা মতুংদা খবা উবকপগুমখি। ঐনা হান্না পিখৎলুবা মযেক অদুমক্তা শেমদোকলগা অমুক পিশিল্লুই, মযেক্তু যেংলগা হাযবকখি খবা উবে নৎত্রা ? অমুক হন্না ফজনা ইথোবকউ হাযবকখি। মসিগী মতুংদগীদি ঐহাক হান্নদগী অহোঙবা লাক্লে, নাক যেৎ হাযদুনা যেংবা ঙম্মলকলে, অদুগা তামো 'গোপাল গী অপাম্বসু খঙলকলে। ঐনা ইখি। কবি নুংগী নিংশিঙলুবা, হৌখববা মতমগী নুংশিবা, নিঙমহৌদ্রবা থম্মোযদা, নৌনা যেন্নিং হুম্নবে। মযেকশি থাগী ঈশৈ ওইনা পুথোকম্রে।

মতমসি ফনা শাংনা হৌখবে থাগী ঈশৈ ইনবগীদমক অমুক উন্নবে হন্দক্তি য়াম্না শন্না হাযবকখি, ঐনা পুথোক্কদবনি, অসেম বিমোলানা শক্কদবনি, মশক খঙনা ইবকউ।

ঐনা ইখি, খেঙলনা অহিংগী মালিকা। নুজাগী শম্নাংদা থেৎচবা। তনিক তনিক তথকচৈ। মযেকশি পিকবদা কেপাস্তেনগী চুকত্তু বোন্না কোন্না যেংলগা হাযবকই। "অচৌ" ঈশৈ ইশা ভাবনে হাযবগা চুকত্তু চমলগা, রবিন্দ্র সঙ্গিৎকি - ' একলা চলো" হাযবা মযেক অমা ফজনা শান্দোক্লা তাকপিবর্কখি। মাযেক অসিমক্কী মনুঙদা চেপ্লিনা ইচেলশিনি তামোনা ঐগী ভাবনদা খঙহনলি লিবশি। মসিগী মতুংদগীদি ঐ হান্নদগী খবা হেন্না উবা ঙম্লক্রে। মখল মখেনগী হিবমদা অমুক যেংবা তৌবকখি। মসিমক ফোংদোকচবিবা অসিদা খবমখৈ খোংনিগনি। ক্রবকী ড্রামাগী চৎপদা নোংমা থাজদনা যাম্না কুইবগী তুংদা তাম্মোগা কপমতলদা খেঙলখি। এ আই আরদা নানউ হাযম্বদগী ১৮৬লুই থাগী ঈশৈ অমুক পিবকখি। ঐনা অমর অসুম্না ইতখি। মবোল খোকলেনুগী ঝুঁ থাম্মায়, পাস্ত্রে শকফম হোংলে। নযেকশি যো লগা চপা হাগবকখি নযেকশিনা শুনশি লেমথদনা যাবাবোয় ঈশৈদু পুথোনখরে। মসিগী মতুংদগীদি ঐসু এ আই আরগী শম্নদবতম মতম যাম্না শাংনা লৌখি। নোংমা থাজদনা থাগী ঈশৈ ইনবগীদমক পোসতগী চিথি অমা ফংখি। ঐনা খবা খোনা চৎলবদগী, খুদোং চাবগ মাতুখরে। মতম খবা হেনবগা পোইনু থাগী ঈশৈ মযেক ইনবা পিবকখি। এ আই আরগী মীয়াম্না শিংবরবা ঈশৈ পোয়ানু লৌবুক উনগা লিংশি লবলে নীংথিনা শমলানবীদা চাইরবনী [illegible] তাঙ্গো গোপাল ছুং লৌরম্নদগী তাঙ্গো প্রবাশিনা মাযেকশি অয়ানা পিবিনবখি।

হায়না পুথা থম্ববদি ঈশৈ মযেক ইশা হুরপাবা নাট [illegible] হায়নবদি মসিদি থাক্তগী উইবনিনা লৈবকফমদি থাদোকখিদনি। হিন্দ অমসুং পাউদমসু থাজ্মায়গীনি। নসি হায়দোরপদা লাইরঙম পুথোকপদসু অদুম নুই। থম্মোয়দা মমি তাবিবা শক্রম অমা মিংশাউদা [illegible] শেংনা উবকলবা মদুবু অমুক মযাম শোংনা মচু শংনা অতাবশি গী থাম্মায়দা থাম্বা লৈহনবদি ঈশৈ নংবাকি পাদমদি। ঈশৈ নবোকি মতাংদা ওক্সফোর্ড নিউ[illegible] অসুম্না এক্সপ্রেসন অফ ইমোসন ইন রাইটিং এন্ড মিউজিক ইন এন ইন্টেলিজেন্স এন্ড ইউটিলিটি [illegible]। ঈশৈ নবোকি অতোং শোরবংদগী পুমতোপ তোম্বা নশাক অমাদি [illegible] হাযদুনা পাঙথোক [illegible] অতাবশিনীসু থম্বা যাদে শঙ্গিৎকা নতে নিংনা ঙাক্তিং অমসু অশুবাগী মতি লৈনদনা যাদে বাইগী লৈচম ফজনবা থোৎনা [illegible] উপাতলঙ্কার নচিংবা হাপ্তুনা বাইগী লৈতেং শিজিন্নবা দরকার লেই। ঈশৈ নাযেকশিনা মাত্রা [illegible] নশাক হতনা নিয়ম অমগী মখাদা চঙনা যাদে। ফজনা হিন্দ অমগী, ঈশৈ মযেক ইবকপদা ফোংদোকপা লাইহ যংলগী অনাবা মাযোক্নবগা লাইরনা থিন্দ পুথোকপা যাদবা নত্তে। হৌজিক্কমক ঐখোযনা ইবদা শিজিন্নবিবসি লাইহ নখল অনিথকনি। চাউবাক্লা যেংবদা লৈবদি অর্থহীন। পানথোযবা থাঙ্গলগুম্বদা ইবিবা বাইহ অসিদি হৌজিক্কি খঙবদা রানা থোক্রে। অনিশুবদা খুন্নুং

লোনগী রাহৈ হাযবনা চুম্নগদবা খঞ্জে, অহুমশুবদনা হৌজিক হৌজিকমক ঙাংনবিবা রাহৈ রাতা অসিনি। খুন্নুং লোন অমসুং হৌজিকমক ঙাঙনবিবা অনি অসি যানশিন্নবদা ঈশৈ মযেকতাদি মবিং মবাংবা ওইনা উদে। অদুগা অমুক মতমসিগী ওইবা ফিল্মদা, ড্রামাদা শুমাঙ লিলাদা ঈশৈ মযেক্তা হেক্তা যানশিনবদৌনদি যাবোই। মফম মতম মতাং চাদ্রবদি ফাগী তাবা শোযদ্রবনি। অইবা মশক খঙদববা চিনথাং যৈনা লাকলবা যানশিনবগী ফজবা মশক অমা "মালেম লৈনা লুম্ববা পলেম ইমানা মকমই, কোবৌ নোংনা রাংববা, পম্বৌ ইপানা মরাংই, পলেম পম্বৌ পোকলিবি পোক্লফম লমদম্না মহেলি"। ঐনা ইজবা মযেকশিংদা যানশিন্দনবা হোংনজৈ। অহনশিংনা "অন্ত্যানুপ্রাস" শিজিন্নদুনা ইবকপদু খুদম ওইনা, পুখ্রি মপাল করোকলৈ লাইশং মথা সনাবি। মসিগুম্বসি ফজদবা নত্তে ঐনা অমুক ছন্দ মাত্রা কায়হন্দনা থুগায়দুনা চাংযেং তৌই। মসিদদি করোকলৈ। সনাবি মতোন তাবা নাহৈ মাম্নবিবসে ঐগীনা মাম্নহন্দবে। লাম্না ঙমগ ঙসিদি বাফম অসে অপোনবা, নঙনা সিদা লাব নিংঙে বুইবনগী চুংশিদা ফজবা ফজদবনা অমনি ঐগীদি চা যেংনি।

মতম অমদা এ আই আবলা প্রোগ্রাম এডিকেশন ওইনা পুনশ্না তাম্মো খিংনাইজম লৈবাকমচানা যাম্না থবাক যাউনা হৌরা থোকখিবাগী মতাংদা ঈশৈ শরুক অমা পুথোকসি হায়বদগী। তাম্মো বি জয়কুমারগী ঐখোয় অরম্বা নবা যম্মিংখি। মাইবক থিবনি পুথোকপগী, খুদোংচাবা যু খিদবে।

অঙাংগী ঈশৈ মযেক থবা হাপচনবসি কনা কনা ওম্বনা মবক মবক্তা অঙাংগী ঈশৈ মযেক ইবিয়ু হাযদুনা লাবই। মবমসিদগী অবাংপা অমা লৈবে খঙ্গবদগী থবদং হাপচিনজবনি। পুথোকচবিবা লাইবিবসিদা ঐনা ঙাক্লৈঙ মতমদা ইজখিবা এ আই আব না শান্দোকপিখ্রবা মযেকশিংদি — শুবথাংমেক যাংদ্রবগুম্বনি। মসিগী মবম হায়বদি মতমদগীনি মতমদগীনি হৌজিককী হৌজিকক্তি। ঐগী অনিশুবা ঈশৈ মযেকি লাইবিব অমসু পুথোক্কে খঙ্গবি মদুদা মযেকশিংদ হাপবা হোংনজগনি।

মতম কুইনাগী, মনাঙদগী ঐনা খঙ্গবশি ঈশৈ মযেক্তিনু শিনুংঙানগী শৈরেংনা মপুং ওইনা ইবনি। উপন্যাস অমদি ড্রামা অমবগি পবি নত্তে অদুনা অপানশিংনা কবি খনগাদগে অমুক খাম্না। ঈশৈ মযেকশিংনা শিনুংগী ঙাল নংতবদি ইবা যাদনবনা মথল মথলগী ফিল্মদা ইবা যাই অসুম্না খঙ্গনবা অপানাশিংনা পামগাদবা, পামলোয়দবা মসিমসু চা যেং ওইনা মযেক থবা হাপচবি। মতমগী অচৌবা হায়বসিসু ঐখোয়না খিঙুবা যাবা নত্তে সঙ্গিংবি মশক অতমসিদা খোঙ্গেলনা শকপা ঈশৈনা অখোয়বনি হায়না লৌবি মসিদা অমুক ঈশৈ মযেক্কি ফজবা চংই। মবম অদুনা অইনা অমসুং অশাকপশিংনা অবিবা হায়বসি কুইনা কুইবগা সনা ওনলবই হায়বসিমতুংগা তোঞ্জা তাবা যেলহৌগুগী। ঐখোয়গী, শব তাকপা ঈশৈ মশক খঙনা নিংশিংহঞ্জনি ই।

মরুপ মপাংশিংনা ফোংদোক্লবগীদমক অকন্নবা ইথিল পিবিদুনা থৌনা হাপিবদগী পুথোকচগদৌবিবনি। মসিদা তামো চিত্রেশ্বর শর্ম্মা, ডা ইবোচৌবা খাইদেমনা ভাকপীবকপদগীনি। ঐগী অশোনবা কয়া য়াওবমগনি মদু পবিবিবশিংনা ভাকপিবগা ভাকপিবকপা পুম্নমক হবাউনা লৌজগনি।

লাইবিক অসিবু পুথোকন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা লমযানবা প্রিন্টর্সকী মেনেজর তাওবেম মঙ্গি অমদি মযেকশিংশিগী কনানগী মতাংদা মশামক্কিগুম্না অবাবা থাগৎনিখিবা ওজা সলাম তোম্বা ওজা অনিগী তৌবিমল ঐনা অমুক কাউজবোয। চইপ নর্মবিখিবা ইনাউ রাকেশ গোস্বামি অতাং ফমদোম অমদি মতেং পাংবিখিবা প্রেসকি মীপুম খুদিঙমকপু থম্মোয শেংনা থাগৎচবি তৌবিমল খঙবা উৎচনি।

অইবা

শ্রী শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা

# মনুংগী লমায়দা

*লাইশোন ঊশৈ*


শচী প্রিয়া অনীগী/৩
লাউ কলি জীবশা /৩
ভক্তগী মখা পোনবিবা /৪
ব্রজ লিলা পুম্নমক /৪
থম্বীবিবা কবিগী /৫
ইমাগী থবাযনি, /৫
অযুক কৌবী লাইবেম্বী /৬
অসি ওইরে শ্যাম /৬
হিবানবনি ঐদি /৭
নপু লৈরা নপু ও /৭
অপেক্ষা লৈতবরা /৮
হওবা উন্মাদ বেদনা /৮
জগৎকীদি মনুংঙা /৯
মাযাগী সংসারনি /৯
নন্দ রাণী ভাওরন /১০
শ্রী রাধা গোবিন্দ /১০
শঙবানবা মণিনি /১১
হে প্রমেশ্বর /১১
জনক নন্দিনী সীতা /১২
[illegible] /১২


*নুংশি নুংঙনগী ঊশৈ*


ঐগী [illegible] /১৫
[illegible] /১৫
[illegible] /১৬
[illegible] /১৬
[illegible] /১৭
[illegible] /১৭
চিতাথকী কুন্দো পবেং /১৮
লমদা থাগী পুর্ণিমা /১৮
থবায় ওইবী নুংশিবী /১৯
মিংফম হোঙ্গে ঙমদনা /১৯
নুংশি থোইবী নুংশিথোই /২০
নুংশি মশক থঙলুঙৈ /২০
নুংশিবা হাযবসে নুংশিজেনে /২১
ঐগী থবায় ওইবিবা /২১
শকথঙদবা মহাক্কা /২২
লুহোংফান্দা ফম্লিঙৈ /২২
লুহোঙ্গদৌরে ঐসে /২৩
শকথঙদবা কন্যাগী /২৩
মৈবী অনীগী মবঙা /২৪
নঙগী নুংশি লম্বন্দি /২৪
মেনাগী থাবললা /২৫
ইকাইবসে অসুম্না /২৫
লৈকাইসিদা লৈজবা /২৬
ঐগী ববসে যৌবাক্র /২৬
থাম্মোয়সিদা চাক্রিবা /২৭
থবায় ওইবী নুংশিবী /২৭
মপোককসিদা ঐহাক্কী /২৮
পুন্সি ঐগী ঊপাক্তা /২৮
চান লাইবক অমগী /২৯
লম্বীসিদা পুক্কিগী /২৯
[illegible] /৩০
[illegible] /৩০

কুইবেদবো নহাকপু /৩১
ঐগী লাইবক নহাক্তি /৩১
নোংমা তমাগে ভসিদি /৩২
নুংশিববু লোক্তুনা /৩২
মপোকসিমা লোইদ্রিফাও /৩৩
মাগীদমক ঐগীদি /৩৩
অহাং অসি ভসিদি /৩৪
লেপ্পর্বনি ঐহাক্তি /৩৪
চৎলো হায়বা নত্তুনা /৩৫
খাচফম খঙদা অসুম্না /৩৫
নুমিদাংবাইবদা চেইবক্রে /৩৬
শাউবনদি পকচিনে /৩৬
নানা ঐনু খানেনা ক্কুনা /৩৭
নবম্ব মপোব অমদা /৩৭
লো লোন থক্কী লিক্লানা /৩৮
চৎনিবনবা নু ভমা /৩৮
ই জনতা ঙায়নবা /৩৯
নুংনবসু নত্তুনা /৩৯
হুনি হায়বা খঙদবনা / ২০
নংশি নীচৎ অবানবা /৪০
মৈরী থাক্তা মিনুংদা /৪১
থম্মোয় ঙিপাক্তা শাৎলম্মী /৪১
পুক্নিনডগী খোঙচত্তা /৪২
নংলামনী বাবায়না /৪২
খোঙচিংসিদা নহাক্কী /৪৩
থম্মোয় ঐগী খোঙজিন্দা /৪৩
পুমনী লোনদি যৌবক্রে /৪৪
চিন্না লাংঙাম্মদাইগী /৪৪
কনম হায়না খাঙলিনি /৪৫
তাইবঙসিদা ঐহাক্কী /৪৫
মথঙ মপোক অদুদা /৪৬
খঙদবনা মহাক্কা /৪৬
অসুক যাম্না তমথিবা /৪৭
পুম্নিসিগী লাইবক্তা /৪৭
থবায় ওইবী থবায়গী /৪৮
লাঞ্জব্রবী ঐহাকপু /৪৮
শোইনাইববা মপোক্কী /৪৯
অসুম্না থম্মোয়সে /৪৯
থম্মোয় ওইনা নীপিগী /৫০
যেংউ লাক্লিসিনি /৫০
থিংজিসিদা পুন্দুনা /৫১
নদোমি চীংগুম লেপহৌরে /৫১
মৈনী অসি অবোননা /৫২
খোম্লদুনা মখূৎনা /৫২
অহৌ অসি নাপ্রেনে /৫৩
থম্মোয় অসি পান্দনা /৫৩
নংভুমিগী মৈরেঙইদা /৫৪
যেনাংগী মৈনমদা /৫৪
নত্তু লাংগী পুম্নিসে /৫৫
লোবউ মাত্রা চিনবানসে /৫৫
থাদোনি নত্তু থম্মোয়দা /৫৬
তাইশিন্দনা খাঙলিবা /৫৬
হাংলক্লিবা নীচৎনি /৫৭
নুংশি নংঙন সংসাবদা /৫৭
থবাং পানবা ঈশৈনি /৫৮
নমদা থাগী থাজনা /৫৮
নীনি পানবা ইঙেলগী /৫৯
ঐগীনি হায়বা ভমদ্রবী /৫৯
চৎখ্রসনু অসুম্বক /৬০
খাঙবা অমুক ঙমদনা /৬০
থম্মোযতনা খঙনবা /৬১
নোংদম্মনা তমদ্রবা /৬১

মৈনি খঙনা খঙনা /৬২
থবায ঐগী ওইবিবা /৬২
থমোযসিদা লোৎলিবা /৬৩
শংবানবা অতিযাদগী /৬৩
হাপকে খন্না হাপচবা /৬৪
নুংদা হক্কুম কবিগী /৬৪
ঐগী লৈমন চন্দ্রবী /৬৫
শজিবুগী পুর্ণিমা /৬৫
মতম কুইবা তুংদা /৬৬
ঐগী মপোক নহাক্কী /৬৬
ঈশৈ অমদি শক্রবনি /৬৭
ফাইবেন থাগী লৈনমসে /৬৭
কবম হাযনা হংলুনি /৬৮
ওলা থাগী শৈবাক্রে গুর্স্বী /৬৮
নুংশিবগী সংসাবদা /৬৯
ঐনা বানা ওইজবা /৬৯
থাদোকখ্রিঙ ঐহাকপু /৭০
নোংদোন খেৎলা পামেন্দা /৭০
কশানো নঙবু শেন্নম্বা /৭১
লাংবল থাগী নোংজাবীনা /৭১
চারিসবগী পুন্সিদা /৭২
মেরাং থাগী ঈশৈসে /৭২
লেপ্পা নাইদা চেম্ববিবা /৭৩
নঙগী ঐগী লাইবক্তা /৭৩
ইবাসিবা পিগে পিক্তৌ /৭৪
নুংশিবী মেবাগী থাবলসে /৭৪

*লৈবাক নীংবা ঈশৈ*

নোংদোন মালেম অনীগী /৭৭
থবায মঙা কৎনা /৭৭
মালেম শক্তম ওইবিবী /৭৮
ইপা-ইপু অথৌবশিং /৭৮
লৈবেন নোংদ্রেনখোম্বা /৭৯
মৈদিংঙুদি মযাম্বা /৭৯
পুখ্রম্বা কাজাও /৮০
লৈমা লিনথোইঙম্বী, /৮০
চিবাই নাগা /৮১
নিবঞ্জন সুবদাব /৮১
মৈতৈ পোকপী ইমাগী /৮২
ইবাবত, হিজম ইবাবত /৮২
কেক্রু পাৎ /৮৩
নুপী লান মণিপুবগী /৮৩
তমথিববা বৃটিশকী /৮৪
মশক খঙসি ঐখোয /৮৪
ভাবত ঐখোয ইমানি /৮৫
ঐখোযনা ভাক্কনি /৮৫
লৈবাক নিংবা শাগনু /৮৬
ইপা ইপুশিংনা ওক্রেম্বা /৮৬

*মখল মথেলগী ঈশৈ*

মতমসে পুমহোং তোংলে /৮৯
লৈ নত্তে নুপীদি /৮৯
অনৌবা চহী নহাবসে /৯০
কলি যুগকী লৈশেম্বা /৯০
মালেম থক্কী লুচিংবশিং /৯১
অচৎ চঙা মালেমগী /৯১
অশাং অমান পাম্বীশিং /৯২
মতমসিগী যাওন্নি /৯২
মু থক্লিংলে থক্কনি /৯৩
ঐনি সঙাই মণিপুবগী /৯৩
মালেম লৈমায থকসিদা /৯৪
চন্না খাদি ফিজোলদা /৯৪
উনা উনা মিৎসে /৯৫
মীখল কুম্ফি লোইবগা /৯৫

চহী মঙাগী তুংসিদা /৯৬
শাংলা চহী মঙাগী /৯৬

***অভাংগী ঈশৈ***

ঐখোয় ইপু হনুবসে /৯৯
ঐখোয়না উবিবা /৯৯
ইমা ইমা কৌদুনা /১০০
ঐদি স্কুল চংবে /১০০
থাগী লৈবাক চৎলুসি /১০১
ঐ স্কুল চৎলোবা /১০১
ঐখোয় ইমুং ঙসিদি /১০২
তুলসিগী মখোঙদা /১০২
ইমানা তম্ন থডবগা /১০৩
কনাগীনা অমা লৈদি /১০৩
ইমা ঐ হন্নদ্রে /১০৪
তুনা না না সুঙ্গাদা /১০৪
ইতা লাইথী নুংশিবী /১০৫
ইমা কৈথেল কাখি /১০৫
হূইনা ইমুং চঙহন্দে /১০৬
ঐখোয় ক্লাসকী তোম্বদু /১০৬
ঐখোয় সিফাই শাবগে /১০৭
ইমা ইপা অনীদি /১০৭
ঐনা হযেং চাউবগা /১০৮
নাবানা যু ঙাওবসে /১০৮
টি ভি দা উৎখিবা /১০৯
ঐখোয় স্কুলদা ঙসিদি /১০৯
উচেক লাংমৈদোং /১১০
যু থকপা কাওবগী /১১০
মশাক মচু তিন্নদ্রবা /১১১
লোংলোন খেংনা পাযবিবা /১১১
খাসে মেংডা থাক্লিসে /১১২
হায়বি ঐখোয় লাইবিঙ্গা /১১২

লাইশোল ঈশৈ

# চিতাথঙ্কী কুন্দো পবেং

## শচী প্রিয়া অনীগী

শচী প্রিয়া অনীগী
থুম্নে মিৎলু নোংজুনা
নদিয়াগী নৈমাযসে -।।

খঙলে, লেঙখবে ব্রজদা
থমোযদদি ঈহৌবে
প্রেমগী ঈথক ঈপোমসে
মাযথোঙ লোৎনা ঙসিদি
শ্রীবাস হবিদাস নিত্যাইনন্দ
তাউবে ন্‌' ভাই ঈপাঙো-।।

বিপ্রলম্ভ ভজন্দা
নীংবা অঙ্গম পাঙথোক্কে
লাক্লবনি লেপ্পুনা,
প্রেমগী লমন বাধাগী
শিংলবনি শোযদনা
হবিনাম্বু যেন্দুনা-।।

ইং

## লাউ কলি জীবশা

লাউ কলি জীবশা
শোনসি হবি নামসে-
কৌবি ঐনা নখোযবু
অমুক লেপ্পা লৈতনা ।।

মিংকুপ্পুদা অবোইবা
ত্রিপাপ্পা চাক্লেনি -
মৈচাক্কুনা চঙদ্রবা
জীবগী লন্দি অথোইবা
হবি নামনি লৌবনো-।।

ওইনি হি হবিনাম্না
ওইনি নৌ বাধানাম্না
গুরু নাম্না হোল্লগা
মাযা ঈপাক লাল্লগা
মংলনদা বৃন্দাবন ।।

৪/৪/২০০৯ ইং

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## ভক্তগী মখা পোনবিবা

ভক্তগী মখা পোনবিবা
ঙক্লা নঙগী থৌজালনি
শ্রী হরি ।।

ভৃগু প্রেম্না কনবনা
লৈতেং ওইবি খোঙফম্না
প্রহ্লাদগী প্রেম্না
চঙখি নঙনা মৈনুংদা
ধ্রুবগী প্রেম্না
লৌখি পিতৃ ধর্ম্ম ।।

পার্থ মাগী প্রেমদা
থৌখি দোলাই নহাক্লা
ভীষ্ম প্রেম্না কনবনা
চেপখি তেনগী সজ্জাদা
ধাবা প্রেম্না নহাক্লা
গর্ভনুংদা লেঙশিনবী ।।

৩/৬/২০০৯ ইং

## ব্রজ লিলা পূম্নমক

ব্রজ লিলা পূম্নমক
গৌবাঙ্গনা শান্নবি
নদিযাগী খুঙ্গংদা
সুবোধুনি তোর্বান্দা ।।

ননি মাখোল হুবগুম
ব্রজ যুমথোঙ খুদিংদা
হুবি ঙসি ব্রাহ্মনগী
চাক ইঙ্খাং পূম্নমক ।।

পুল্লি শচী বার্ণীনা
লম হেল্লি হাযদুনা
যশোদানা পুনবগুম
রাবকপনি খন্দুনা ।।

৭/৩/২০০৮ ইং

## থম্বীবিবা কবিগী

থম্বীবিবা কবিগী
পীবিবগা নাপলসে
মাঙহনবিযু নাপলসে
চবণ নঙগী ফংনবা ।।

মীওই কযা চেনশিন্নি
নঙবুদবু তান্নবি
মদু খঙবা নহাক্কি
চেনশিঞ্জবোই ঐহাক্তি
ঙাইজবনি নহাক্কী
মিৎযেং অদু প্রেমগী ।।

ঐদি কৈগু নিজবোই
পূন্নমক্কী মখাদা
লৈহনবীযু ঐহাকপু
লেঞ্জগে পুন্সিসি
ননাই ওইনা ননাইগী
পোকপা শিবা নাইদনা ।।

৪/৪/১৯৯৭ ই°

## ইমাগী থবায়নি, গোকুলগী থাজনি

ইমাগী থবায়নি, গোকুলগী থাজনি
লাক্রোনে কানহৈয়া, পন্নগে ইমানা ।।

নোক্লবো মোমোম্না শুমহৎপা মিনোক্লা
কবিগী ওইনবি তুমিন্না লেপ্তুনা
পিবগে হায়ুনে কবিনো পান্নিবা
ননিবা মাখল্লা লড্ডুবা বেবাবা ।।

সূর্যগী পুজাসে থেঙখবনি শোযদনা
ব্রজগী গোপীশিং চৎখবে ঙম্নমক
চৎলগে ইমাসু যমুনা ঘাটতা
শোক্লুগে ঈশিং কৎনবা সূর্যদা ।।

৪/৭/১৯৭৭ ই°

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## অয়ুক কৌবী লাইবেম্মী

অয়ুক কৌবী লাইবেম্মী
থোংনা মেঙনা ফজবী
ওইলেঙ থমোয় হুনিবী
খুকমজনি নহাকপু ।।

ঙাঙবাননা ফিজোলনা
চাংখৈ পিদুপ হুলহনবী
অমম শক্ক মাঙহনবী
নোংনা নবায় হাপ্পওম
মালেমা যাকায়হল্লিবী ।।

নংগী থৌগল নঙনবা
শাৎলি লৈবাক খুগায়না
চাম্লি লিল্লা মৈপনা
থম্লি মালেম লিবিনা
কৎলি লৈনম নঙোন্দা ।।

৪/৩/১৯৮০ ই

## অসি ওইবে শ্যাম

অসি ওইবে শ্যাম
জগৎসিনা হায়নবা
নন্দগী মচা ইবুংঙো
থৌজাল হৈবা কৃষ্ণনি ।।

অসুক নুংশি হৈতবা
পাঙ্গল শোনবী নুপীবু
হুন্দোক ঙম্মা বন্দা
কবি থমোয় হায়দুনো
সিবু কনি ধর্মনো ।।

পোকপদগী হৌদুনা
মিৎস্না অনী পাঙদনা
মাবুতবু ঙাইজবকপা
অসি ওইবে নীংজমন
মৈচাক পীবা অসুম্লা ।।

১০/৫/১৯৮২ ইং

## হিবানবনি ঐদি

হিবানবনি ঐদি
নখোয পুম্বা অসিগী
খঙই ঐনা নখোযবু
খঙউ মসি নখোযনা ।।

পোক্লিবসি কবিগীনো
শিবিবসি কবিগীনো
লৈফম থোকত্রা মবমসে
থিযু মসি খঙনবা
লম্বী নঙগী উগনি ।।

লৈতে ঐগী ইফমদা
খেন্নবসে অমতা
খেন্নবদি উগনি
খল্লু মতম লৈবিঙৈ
খেন্নহনবা কবিগীনো ।।

৪/৫/১৯৭৭ ইং

## মপু লৈতা মপু ও

মপু লৈতা মপু ও
নঙবু কুইনা কাউক্কবে
খুযা থম্বাল অনীদা
চঙজবিনে ননাইনা ।।

তাইবঙ মপোক ওইবনা
ওইজা পাম্বা হৌনশা
শকলোন কযা ওনলুবে,
পুন্সি যাচংলকপদা
নঙবু অমুক কিবক্রে ।।

নঙগী থৌজাল নত্তনা
কবম লান্নি ঈপাকসে
লানবীযুনে ননাইবু,
নাপল পুম্বা পুক্নীংগী
থাদোকচবে ননাইনা ।।

৭/৫/১৯৭৭ ইং

# চিতাথক্কী কুন্দো পরেং

## অবেপ্পা নৈতববা

অবেপ্পা নৈতববা
মবকসিদা অবেপ্পা
নঙনি হাযবা কাউকবে ।।

নোংমদি শোযদনা
লাক্কনি খঙলবা
ইযুম অসি মল্লবা
থাদোক্রবা মতুংদা
নোংদম অমা কবম্বা
কিবে লাক্কনি খনবদা ।।

যুমথাঙ কযা হোংহনবা
অমম অঙান অনীদা
অমম্ববু ঙালহনবা
অবাপ্পদা নৈতবা
নঙবু লাপ্পা থল্লুবা
ঙসি কিদা ঙমদবে ।।

৩/৩/১৯৯৮ ইং

## খঙবা ঙমদে বেদনা

খঙবা ঙমদে বেদনা
হবি মাগী মগুণবু
পূক্রিং হকচাং লেঙদনা
নীংজৌ মাবু ফংনবা ।।

মাগীদমক শিব না
চৎলিবনি ঙাওদুনা
মাগী নামতা শোন্দুনা
লেল্লিবনি যোগীশিং ।।

ধর্ম নৈতা পুন্নমক
তুম্লিবনি মখুত্তা
মাগী থৌজাল ঈবিক্লা
হিংলি তোল্ল-তাবশিং ।।

৪/৫/১৯৭৭ ইং

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## জগৎকীদি মবুংঙো

জগৎকী দি মবুংঙো
মপূ ওইবা থৌজালগী
শিব শঙ্কব মহাদেব
খুকুমজবি ননাইনা ।।

বাধা কৃষ্ণ অনীগী
প্রেম- বাসকী থোঙশঙবা
যোগীলক্তগী অথোইবা
হে ভক্ত যোগেশ্বব ।।

ফংনিংবনা কৃষ্ণ প্রেম
গোপীলক্তা যাওদুনা
গোপেশ্বব কৌব্রবা
চান্নথোইবা হবিগী ।।

২/৪/১৯৯৬ইং

## মাযাগী সংসাবনি

মায়াগী সংসাবনি
মায়াতা যোম্লিবা
তাইবঙ কৈথেল কাবিবা
খল্লু পোৎশক অবেপ্পা ।।

হবি নাম নত্তনা
নৈবোই অমা অবেপ্পা
হবি নামবু ফংনবা
লম্বীদুদি অশেংবা
চঙজৌ শ্রী গুরুদা ।।

খঙদবনা পোৎশকসি
খল্লুগনি শোযদনা
মিৎমাঙদগী মিৎকুপ্পা
মাঙখিদৌবা পোৎশক্তা
খঙদবনা অবেপ্পা ।।

১/২/১৯৭৮ইং

## চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

### নন্দ বাণী ঙাওবে

নন্দ বাণী ঙাওবে
রাম কৃষ্ণ অনীগী
জাগোঈ শাথেক উবদা
তাউবে নুঙাই ঈপাক্তা ।।

যেণ্ডা শাবি বলরাম
ওইদা শাবি কৃষ্ণনা
নুমিৎ কোটি ঙমজনা
ঙাল্লি নন্দ শঙ্গাযদা ।।

জগোঈ শাথেক খুদিংগী
নিল্লে নুপুর খোঞ্জেল্লা
জগৎ অসি শুক্ষাৎলে
কাযাবে ধ্যান মুণিশিং ।।

৯/৬/১৯৭৬ ই

### শ্রী রাধা গোবিন্দ

শ্রী রাধা গোবিন্দনা
পুল্লা ঙাল্লি হিথক্তা
শংবানবী যমুনা
তাউবে নুংঙাই ঈপাক্তা ।।

মাযথোঙ থম্বাল রাধাগী
যেংলদুনা নুংশিনা
খুত্তা নৌবু পাযদুনা
হোল্লি তাংথক নাইদনা
শ্রী গোবিন্দনা লেপ্তুনা ।।

পুকচেল তল্লী যমুনা
খুযা থম্বাল অনীবু
ফংজনিংনা ঙসিদি
থমোযনুংদা ঈহৌবে
প্রেমগী ঈথক ঈপোমসে

১০/৫/১৯৭৬ ইং

## শঙবানবা মণিনি।

শঙবানবা মণিনি
কৌশলাগী থবাযনি
জগৎকিন্না মপুনি
বঘু বংশগী বাম ।।

মিৎয়ল্লা অনী অসিনা
থম্বাল লৈকা মতৌনি
ঈংলা থাজ মতৌগুম
মঙাল নাইবা মাযথোঙনি
ভক্তশিংবু কন্নবিবা
পাপিশিংবু মাঙহনবা ।।

মোমোন নোকপা মাযথোঙনা
জগৎসিবু শুমহৎপা
ফংজবদা দর্শন
পাপ পুন্না কোকহনবা
শোনজবদা নামসে
প্রেমগী ইথক হৌহনবা ।।

৬/৫/১৯৯৬ ই'

## হে প্রমেশ্বর

হে প্রমেশ্বর
ব্রহ্মা বিষ্ণুমক্লা
খঙবা ঙমদ্রবা নগুণবু
কবম খঙনি ননাইনা।।

নঙনি মপোক লৈতবা
লৈতে নঙগী নগুণসু
নাইদে নঙগী শবফমসু
লৈতে স্বভাব নঙোন্দা ।।

জগৎ পুম্বা অসিগী
থোবকফমনি নহাক্তি
দিগম্বরনি নহাক্তি
নঙদি শান্তনি ।।

৩/৪/১৯৯৬ ই,

## জনক নন্দিনী সীতা

জনক নন্দিনী সীতা
রঘুমণি লোযননা
ওইখি শকক অরাবতা
যাইফনবা মালেমগী ।।
রঘু বংশগী ফিদম
হাযনা লৈতা ঙাকখিবা
পিতা সত্য পালনগী
কোক্তা জোটা পুদুনা
শেৎখি লাযনা উকুবু ।।

নিংথৌবেনগী মযোম
লৈমা কোন্দা চাউবকপী
বনগী রাবা খোঙফমদা
লেনখি পতি সেবাগী
শুক্লা উমং রামংদা ।।

২৯/৪/১৯৯০ ইং

## গুণ তকক্লা লৈতেংবা

গুণ তকক্লা লৈতেংবা
ভগবানগী গুরুবা
খঙনি লিলা কনানা।।

ঐশ্বর্য্য মহা শক্তিনা
মবোল অহুম অসিবু
খুদুম চন্না থব্লিবা
নুমিৎ থা লোযননা
গ্রহশিংবু শেমদুনা
থৌদা পিনা চৎহনবা।।

গ্যানগী মপু ওইবনা
জর্ম্মদগী তরুক্লিদা
পুতনাবু লানবীবা
বীর্য্য শক্তি উত্তুনা
গোর্বদ্ধনবু থাঙ্গৎপা
ইন্দ্রগী নাপল মাঙহনবা।।

১০/১০/২০১২ ইং

নুংশি নুংঙনগী ঈশৈ

## চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

### ঐগী থৱাযসিদগী

ঐগী থৱাযসিদগী
হেন্না ঐনা নুংশিবা
হাযববদি অমতং
মহাক অদু নহাকনি ।।

লম্বী অসি থিংখ্রবা
ঙস্না চিংজাও মতৌগুম
লানবা অমুক ঙমদনা
খোঙফম ঐগী অমত্তং
ফংজবম্বা থোক্রবা
লাম্থোক্রমলি সোযদনা ।।

থমোযদগী নহাকপু
মুথংলসু লেপ্তনা
খঙলে কোকপা ঙস্নবোই
সিনা মবম ওইদুনা
মুথত্তবে ঐহাক্না
সিনি ঐগী নুংশিবা ।।

১১/৭/২০১০ ইং

### অৱাবগী মযেক্তা

অৱাবগী মযেক্তা
অৱাবগী সুবগী
ঈশৈ অসি ঐগীদি
মঙ্কপ্লিনে লেঙদ্রবা ।।

নুংশিনবা খুদিংমক
থুংনগনি হাযবসে
লৈবমদবা মবম্না
ঐনা অমুক পুস্নিদা
বাবৌজবোই কন্নাদা ।।

ঐগী ইত্তৌ উবগা
নিংঙমদবগী পিবাংনা
যাওববদি শিম্বুবা
খাঙবা ৱাবা চৈনাসিগী
ৱাজৈ মহাক অদুগী ।।

১২/৮/২০১০ ইং

## হাংদোক্লবোই খন্দুনা

হাংদোক্লবোই খন্দুনা
লোনশিনখ্রবা থোঙনি
লোনখ্রসনু অসুম্বক
পুক্সি চুপ্পা সিমগী ।।

লেপ্লবনি ঐহাক্লা
থোঙজিন্দুদ মহাক্কী
খাঙথিবনি মহাক্লা
অরাবদ্ ঐগুম্না
মাগী মীৎলু পীবাং
ঐগী মীৎলু পীবাং
ঈচেল অনি তিন্নদে ।।

থমোযসিনা ঐহাক্কী
থমোযদুদা মহাক্কী
রাফম অমত্তং থম্নিংলি
নূংদা হক্কুম লেংদনা
কদাযদনো হক্লুদবা
শিসু মৈচাক অমনি
থিখ্রা লাইবক অসিদা ।।

৪/১০/২০১২ ইং

## থমোয লৈবাং লৈনুংশি

থমোয লৈবাং লৈনুংশি
থাবলসিদা ঙসিগী
মঙলানগুম্লে ঐহাক্তি ।।

চিনবান লেংলপ নোক্রিবা
মীনোকসিদা লোৎলিনে
থমোযসিবু শুমদুনা
চিংশিল্লবা মতুংদা
লেঙবা ঙমদা পুনম্বগুম্ব ।।

চোইবা শম্লাংলক্তগী
লোম্না যেংবা মিৎযেংসিনা
খুৎশেম হৈবা নোংদম্বগী
খুৎশেম্লোনে কবম্বা
শিন্নবম্বা নঙোন্দা ।।

১১/৭/২০১০ ইং

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## ইঙেল থাগী ইঙেল্লেগী

ইঙেল থাগী ইঙেল্লেগী
লৈযোন্দুনি থমোযসে
যেন্নীং থাদা নঙোন্দা
ওল্লাং খাসে ওনথ্রবা ।।

খঙালদুনি নঙনসু
মরুভূমী লমদমদি
মেবি চেনবা নুংশিৎসি
অমুক লেপ্পা লেংদনা
শিৎলিবনি নংত্রা ।।

থবায় পানবা থোক্লনি
মপোম্বি বানা খাঙলিবা
মৈপী চাংনা কঙগনি
খাঙলিবসে ঐতাক্লা
লোম্না ইদোম ভুমিন্না ।।

৫/৪/১৯[illegible] ই

## চহীসিগী অনৌবা

চহীসিগী অনৌবা
খুদোল ওইনা নহাক্কী
তেকঙমদবে গুলাবসে ।।

খোইমু গুলাপ অনীনা
ঙাইনরকপা খৌবাংনা
নুমিৎ অদু ঙসিনি,
লৈনাবক্তা গুলাবকী
খোইমুসিগী মতৌদা ।।

উপেন্দনা নহাকসু
সিগী নংত্রা শাৎলিসে
সিনি নংত্রা পুসিসে,
ওনিক ওনিক গুলাবনা
হাইনা হৈমা খাঙলিগে ।।

১/২/১৯৯২ ই

## চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

চিতাথক্কী কুন্দো পবেং
পুন্সিগী অবোইবা নুংশি খুদোলনি
চন্নবী নুজাগী মিৎলু পিবাংনা
চান্নবা লৈবাংনি লৌবীযুনে তবান্না ।।

চিক্রবা অহীংগী ঈংলবা থাবন্দা
ঐগী শমজিদা নঙনা থেৎলম্বা
থবাযনি খন্দুনা ঐনা থমজবা
লৈবাংদো, কৈদনো মফম খঙদবে
নঙগী থবাযনা ওন্নবা লৈবাংলা ।।

নহাক যাওদ্রবা ঐগী পুন্সিদা
শাবী শানৌগী, নুংশি নুংওনগী
লোন্না যেংনবা নুংশি মিৎযেং
অবেম্বনি পুন্নমক যেক্রবনি থল্লগে
নঙগী ঐগী রাশক্তু ঙাক্রগে ।।

৩/৪/১৯৭৫ ই,

## লমদা থাগী পুর্ণিমা

লমদা থাগী পুর্ণিমা
নঙনা ঐবু ঙসিদি
পোথাহন্দ্রে অহীংসি
পুবক্তু না শক্তমশিংসি ।।

মেঙলা থাবল মঙান্দা
খূৎকা খূৎকা খূৎশান্না
মিৎযেং খুদিং মিৎচানা
মোমোন মোমোন নোক্তুনা
মাগা ঐগা চোংখিবগী ।।

যাওশং হুন্নি চনবদা
পাবা মাগী ইন্নফিনা
থম্বাল মানবী মাযথোংগী
তৈথোক্তুনা অবেবদু
ইনাক নক্না লেপ্লগী ।।

১১/১২/১৯৯৭ ইং

## থবায ওইবী নুংশিবী

থবায ওইবী নুংশিবী
ঙসিদগী থোল্লগেকো
নঙগী মিংসে নুংশিনা
থাজমানবী হাযদুনা ।।

ফজখ্রবা থাজসে,
পুর্ণিমাসে মেবাগী
কোযবপ তৌবী নহাক্কী
মঙাল নাইবা মাযথোঙগা
কবি অমুক খেন্নবি ।।

নুংশিবগী সংসাবদা
ঙাওদে ঐদি থাবলদা,
ঙাওই ঐদি নহাক্কী
মাযথোঙ থাজ মঙান্দা
নঙসে ঐগীদি থাজনি ।।

৪/৩/২০১০ ইং

## মিংফম হোঙ্গে ঙমদনা

মিংফম হোঙ্গে ঙমদনা
থমোযসিবু চিংশিনবা
শুম্নাংযাই যাওশুম্বী
শক্তম্নিনে তনৌবী ।।

কেতুকীগী লৈনমদা
লৈথোকখিবা ঙম্ববা
নকশিনখিবা ঙাক্তনি,
মালংগী লীচিংদা
লৈচিন্না কৈদৌনি ।।

মাযথোঙনি থাজশুম্বী
নত্তে নোংদোল থাজদি
মুবা মাযহিং পক্রবী,
তাইবঙগী থাজনি
মুবা মাযহিং পকত্রবী ।।

৩/১১/২০০৮ ইং

## নুংশি থোইবী নুংশিথোই

নুংশি থোইবী নুংশিথোই
নঙবু কৈস্যু থাদোক্লোই
নত্তৌ যেংগে তৌবনি
মিৎলু পিবাং তৈথোক্লো ।।

নঙোন্দদা ঙাওজবা
ইবাল লৈত্র ঐহাকপু
উনা উনা উশিন্নদা
লৈথোক্কুনা চৎখিবা,
মতমদুদা ঐহাক্লা
কয়া চাক্লা খাঙখিবা
মাযসে থমফম লৈতনা
মীযাম মমাঙ অদুদা ।।

লমন শিঙ্গে ঙাইবকপা
নুমিৎ অদু ঙসিনি
ইখুৎ চঙ্গ্লে হৌজিক্তি
ঐগী নীংবা থুংলেদো,
নশুংলাংগী ঐহাক্লা
চাকখিবদু অদুনি
থমোয অদু কমদৌই
খাঙফম খঙদা চাক্রিনি ।।

৩/৩/১৯৭৮ ইং

## নুংশি মশক খঙলুঙে

নুংশি মশক খঙলুঙে
ঙাওবে ঐদি ঙাওবে
সিবু কবি মতৌনো
মীসু অসুম তৌবিদবা ।।

শকখঙদবা মহাক্কা
খঙনকপা মিৎকুপ্তগী
খোঙথাং ঐগী হোংখবে,
চৎলে চৎনা মিত্তা উই
তুম্লে তুম্না মঙদা উই
ইকাই ইকি বাংম
লানবগুম্লে ইথস্তা ।।

মাগী ব্রাখল খনবদা
মিৎকুপ খুদিং ঐহাক্কী
খঙহন্দবে লৈতাফম,
ফম্না ফম্না চাকখুমদা
চাক্তুগা লোযননা
চফু যাওনা কাদুনা
মৈতান ওনবা যাওখবে ।

৪/৫/১৯৭৮ ইং

## নুংশিবা হায়বসে নুংশিজেনে

নুংশিবা হায়বসে নুংশিজেনে
মিৎকুপ খুদিং কাউঙমদেনে ।।

মনাক নক্না ফম্লগা
মাগী নোকমি নোকমিবা
মায়থোঙ অদু যেংদুনা
নুমিৎ চুপ্পা লেঞ্জনিংই ।।

পাবপ তৌবা চিনবানগী
লুপ্পপ তৌবা খোঞ্জেলনা
তুম্বক তুম্বক হায়বকপা
নুংশি বাহৈদো তানীংই ।।

ঐগী থবায় অসিগী
থবায় ওইবে মহাক্না
নুংশিবদগী নুংশিবা
মাতনি ঐগী নুংশিবা ।।

১২/৫/২০০৯ ইং

## ঐগী থবায় ওইবিবা

ঐগী থবায় ওইবিবা
নুংশিবদো লাক্রনি
চিঠীসিদা ইবক্রে
নুমিৎ অদু অবেপ্পা ।।

খমোয় শেংনা কযাদা
ইবক্রিবা নুংশিনা,
'থবায় ওইবী নুংশিবী'
অসুম হায়না হৌবকই
নুংশি নঙসে নুংশিবা ।।

ইমাঙসিদা মহাক্না
লেপ্পবদি কমদৌনি,
ঙাওবে ঐহাক চিঠীদা,
মবোল অসি চিঠীগী
হন্না-হন্না পানিংই ।।

৫/১০/২০০৮ ইং

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## শকখঙদবা মহাক্কা

শকখঙদবা মহাক্কা
মিংচানকঙৈদগী
ঐগী থমোয়নুংসিদা
লৈবে মালা লেঙদনা ।।

যেংশিন্নদা মিংচীনা
লোন্না-লোন্না যেংলগা
নোক্নি নোক্নি চিনবান্না
ঐনুংশি হায়দুনা
খোংদোন খোক্তা হায়বম্মা ।।

নঙবু লৈগে নুংশিবা
নঙবুগনি ঐহাক্না
ঈশৌলাংনা ঙাইহিবসে
নুংশি তেনবু কাপ্লগা
পাম্ম খঙনা চৎথিবা ।।

১/১২/২০০৭ ই

## লুহোংফান্দা ফন্নিঙৈ

লুহোংফান্দা ফন্নিঙৈ
নঙবু ঐনা যেংনিংখি
মিৎসে পেন্না অমুক্তং ।।

তনৌববী খুৎশাদুনা
কুন্দো পবেং পাযবগা
চঙশিন্নকপা মিৎকুপ্তা,
লোন্না হাইবপ যেংহৌবা
শক্তমদুনা শুমদুনা
লুহোংলিবনি কাউদৌ ই ।।

ঐনা অমুক নঙোন্দা
কুন্দো পবেং হুকপদা
যেংগে হায়না খনববু
হুক্নমদাই মিৎকুপ্পুদা
তবঙ মালং চক্তুনা
হুকখ্রা তুংদা নীংশিংলকই ।।

৭/৮/২০০৭ ই

## চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

### লুহোঙ্গদৌবে ঐসে

লুহোঙ্গদৌবে ঐসে
কুঠিদসু পক্কবে
ঐখোযনীসু যানবে
রাবেপ্পখবে অহনশিং ।।

লাইবকসিদা ঐখোযগী
থুংনৌ হাযনা তম্নবোই
ইমুং মাঙ্গোল লোযননা
যুম কৈ শেমজিন্দুনা
থৌবাং তৌবা হৌবক্লে ।।

মৌ লাক্তৌবে খনবদা
ইমা বাজি অনীসু
ঈশ ঙংলে যাবক্তা
চিবোন চিবোন রাবী শা
খোযকুম মোমোন নোক্লবে ।।

৩/৭/২০১০ ই

### শকখঙদবা কনাগী

শকখঙদবা কনাগী
থৌশিলনোনে ঙক্লবা
ইদোম ঐনা ঙসিদি
কঙাওনবকলিবসে ।।

লৈবাং খোইমু লোযননা
পোম্বি চেক্লা উবগা
মিৎফম হোংদা যেংনীংলে,
যেন্নীং থাগী লৈনমদা
পম্বুংফমসু খঙদনা
পুনশুল্লে মঙলানগুম ।।

মওন-মওন খন্দুনা
কবিগীনো থমোযনা
লৈতাফমসে খঙদ্রিবা,
অচিকপদা থিদুনা
কনাবুনো ঐহাক্না
ঙাইনীংলিবা তুমিন্না ।।

৫/৪/২০১০ ইং

## চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

### মৈবী অনীগী মবক্তা

মৈবী অনীগী মবক্তা
মৈচাক খাওনা লেল্লিবী
পিনাং ঐগী লোইবক্তে
আশা ঐগী কৈদনো ।।

থামোয় [illegible] দা মতাক্তা
শাত্রু [illegible] মমা লোইৎলম্লে
সিনা [illegible] ঐদুনা
মীবা [illegible] ঐহাকপু
লা [illegible] নবী পুন্সিসে
ইবান অমা লৈরবক ওন
ওইগ্রিন্নবে মিন দা ।।

পাল্লি ঐসু থামোয়সে
চাদি মমি অবোনবা
অন্মক কোকপা ঙমদনা
[illegible]পোকাসদা ঐহাক্তা
লাইবক অসি থীখবেদা
অসুম হায়না কনিগী
অসুক চাক্না পাঙহনবা

[illegible]

### নঙগী নুংশি লমন্দি

নঙগী নুংশি লমন্দি
মথঙ মপোক অমদা
শিংলগেকো বাবৌনু ।।

তম্লমদাবে লাইবকসিদা
নঙগী ঐগী লৈপুন্দু ,
পুর্ণিমাগী থাবল্লক্তা
মঙমিল্লখিবা মঙলান্দা
মিকপ খোক্তা পুন্সিদা
মঙনা লেল্লু তম্লম্লে ।।

কাযনববা ম ঙংসদা
কাউনঙমসি ঐখোয়না,
অবা নুংঙাই থুদিংমক
পাউদম্নসি মঙলান্দা
মপোকসিগী পম্বুংদি
নীংশিংবনা ওইবসি ।।

৭/৮/১৯৮২ ই.

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## মেবাগী থাবলনা

মেবাগী থাবলনা
ভৌবা ফিজোল ওইদুনা
নঙ ঐ চৎমিন্নখিবা
লম্বী অদু নীংশিংঙউ ।।

হায়বোই ঐদি কবিসু
সেংহলোই নঙগী লম্বীদা
হনখো নদোম লেপ্তুনা,
ননীং তম্না চৎলবা
মতুংদুদা নহাক্না
নখুৎচক্লা নশাদা
মৈচুনদি ওইহন্নু ।।

তন্না হন্না নহাক্না
মুখৎলিমখৈ লেপ্তুনা
হেন্না নযেক শেংলক্নি
মিৎমাঙদুদা উবক্লনি
মঙলানগুম্না ওইবঙদা
শকুম অদু ঐখোয়গী
অমুক লোৎপা যাদনা ।।

১/৬/১৯৯০ ইং

## ইকাইখ্বসে অসুম্না

ইকাইখ্বসে অসুম্না
খঙলোই হায়না খঙদ্রদি
উপাই লৈতে কমদৌনি
খল্লু খুদিং চমৈন্নে ।।

মতৌসিবু মহাক্কী
করি মতৌ হায়দুনো
ঐগী লাইবক অসিনা
করি লাইবক হায়দুনো ।।

ফজনা হায়বে খুন্নক্তে
নোকি নোক্কি তুমিন লৈ
থীনা হায়বে তাশিন্নদে
কৈনো ঐনা তৌদৌবা ।

৭/৪/২০০৬ ইং

## লৈকাইসিদা লৈজবা

লৈকাইসিদা লৈজবা
কুইজদ্রিবা ঐহাক্কি
লাকচবনি হন্দক্তা ।।

বাধিকাগী মপানা
ইকুবোক্লি ঐহাক্কী
ইনেম্বোক্লি মমানা
ঐগী ইথৌ হাযববু
মখোযনা যানা চৎপনি ।।

ঐগী মিংনা কৌজে
বাধামোহন হাযদুনা
ইকু-ইনেম অনীনা,
কৌবী ঐবু নুংশিনা
ঐখোয অঙাং হাযদুনা ।।

৫/৮/২০০৯ ইং

## ঐগী ববসে যৌবক্রে

ঐগী ববসে যৌবক্রে
খোঙনাউসিদা অমুক্তা
মিৎসে পেন্না যেংনবা
পোৎলোই শেৎপা লেপখিসি ।।

যেংউ নখোয পুম্বসু
ঐগী ওইবে হাযদুনা
নত্তে পংহায হাযজিনবা,
কোযেৎ যেৎপা ফাওবদি
পকচদবা শাথিনা ।। (নোকপা)

মোং হাদে খোঙথাংসু
কযাদা চীং লেপ্লিবা
মাযসু শোক্লি যেংউনে,
লুকথখবে ইমানা
ওকপসিদা ইকাযনা ।।

৫/৪/২০০৯ ইং

## থমোযসিদা চাক্লিবা

থমোযসিদা চাক্লিবা
মৈচাক অসি কল্লবা
মুথৎসিগে কবম্না
ঐহাক খনফম খঙদবে ।।

নুংশি মশক খঙলুবা
ৱাজনবা তাববা
খল্লু-খল্লু খুদিংদা
ইবান ঐগী ওইববা ।।

লেংমান্নবী কযাগী
নুংশি মতৌ উবগা
ঐবু লোন্না কপহনবা
হৌনববা মসিবু ।।

১০/৯/২০০৯ ইং

## থবায ওইবী নুংশিবী

থবায ওইবী নুংশিবী
ইঙেল থাদি লোইবক্লে
নোংজু অসি নহাক্কী
লোইশিল্লসিনে পাম্মুবী ।।

ওল্লাং থানা চাক্লমদ্রবা
ঈংলা নোংনা চুবমগদ্রা
ৱাকচীং উল্লেন তাবমদ্রবা
যেন্নীং থাসে লাক্লমগদ্রা
নঙগী ঐগী লাইবক্লনি
অসুন্না অসুম লোইবিসে ।।

থাদ্রিঙৈনা অমনি
থাথ্রবদি লৈশিংসে
হৌখিবনি অদুম্মক
মোংফমদসু শাৎপনি
সিবু ঙক্লিংঙাইবনে
সিনি পুন্সি হাযবদু ।।

৭/৫/২০১২ ইং

# চিতাথক্কী কুন্দো পবেং

## মপোকসিদা ঐহাক্কী

মপোকসিদা ঐহাক্কী
লাইবক নহাক অসিবু
মখোযসিগা অসুম্মক
লোযনদুনা লাক্রববা ।।

যেন্নিং থাসে ঐগীদি
ওনখ্রে হুবু তমথিবা
থমোযসিদা থোৎলবা
লৈনমসিনা নুংশিবা
পীখ্রে চৈনা কল্লবা ।।

থাবলসিসু ঐগীদি
থাবল অমুক ওইদবে
পুন্সিসিসু হিংলিবা
চাকই, খঙনা খঙনা
হিংনা মৈনুং চঙগুম্লে ।।

৯/৪/২০১০ ইং

## পুন্সি ঐগী ঈপাক্তা

পুন্সি ঐগী ঈপাক্তা
মঙলৈবাক্কী লমদমগী
থম্বাল ওইনা সনাগী
শাৎলববী লৈনুংশি ।।

কবিগুম্বা থাবলনা
থম্বালগুম্না নুংশিবা
লৈনম চেনবা থোক্রেদি,
লৈনম চেল্লা থাবলদু
ওইনি নঙনা ঐগীদি ।।

থরায মঙা অসিনা
তরুক শুবা তাববা
তরুকশুবা থরাযদো,
নহাক নত্তনা কনানা
ওইবা যাবোই ঐগীদি ।।

৩/৪/১৯৭৮ ইং

## থীরা লাইবক অমগী

থীবা লাইবক অমগী
পুন্সি নঙনি ঐহাক্কী
তাইওন্নবা লম্বীদা
লম্মুক্লনা লেল্লিবা ।।

যেন্নীং থাদা নহাক্তি
নাকেন্ন থাবু ওইবিবা,
নোংখোঙ ফৃইবা নোংজুদা
ওল্লাং থাগুম চাক্রিবা
মৈচাক অমুক নেমদনা ।।

মিৎস্না অনী অসিনা
ঙম্লকত্রিবা উইশিনবা,
লেপ্ল ক্লবা ঈচেনগুম
মিৎলু পিবাং ঈবিক্লা
মমি শান্না শিষ্লনা ।।

৫/১০/১৯৯৮ ইং

## লম্বীসিদা পুন্সিগী

লম্বীসিদা পুন্সিগী
ভিক্ষা ওইনা থবাযবু
থবাযদুনা নিববা
কবি ওইনি পুন্সিদু ।।

থবায যাওদ্র হকচাংনা
ওইদৌবদু কবিনো
খঙনা খঙনা ভিক্ষাসে
নিগে হাযনা নিববে ।।

হৃনখ্রবদি ঐহাক্লা
মফমদুদা তুমিন্না
নিকবগী মবমগী
পেনফম থোক্তবা মাগীদি

৫/৫/১৯৯৮ ইং

## খঙনা খঙনা খঙলবোই

খঙনা খঙনা খঙলবোই
খল্লিগদবা মহাক্না
খঙবীফম্দি থোকপনি
থমোয পানবা মবন্না ।।

কুইবক্লগা মতম্না
নীংশিংবগী মমিসে
শান্নবকপা মীওইবগী
হৌনশানি পুন্সিগী,
অদুবুনে ঐগীদি
মতম কুইবা কুইবগা
হেনগৎলকই নীংশিংবা ।।

ঐগী ওইনা পান্দ্রবা
থমোযদুনা মহাক্কী
থাদোক্লুনা ঐহাকপু
হন্না যেংদা চৎখ্রিবসে,
থমোয পানবদগীনি
থমোয পাল্লবনিনা
রাখল ঐগী লান্দেনা ।।

৬/৫/১৯৭৮ ইং

## হৌজিক্তদা খঙলক্রি

হৌজিক্তদা খঙলক্রি
মাগী পুন্সি অসিগী
সংসাব অসি ঐহাক্কি
হাযবম্বনি হাযবসে ।।

মিৎকুপসিদা পীবক্লে
নোংথাঙমৈবী শাফুগুম
হন্না-হন্না চৈনাসে,
হন্না-হন্না থমোযদা
পাল্লিবসে লেপ্তুনা
পাল্লসনু অসুম্মক ।।

খম্বহৌদা ঐহাক্না
থাংজিল্লুবা খোঙফম্না
লেঙবা ঙমদা পুনখবে,
মৈবী থোক্তা থমোযদা
মুৎ পা লৈতা চাক্রিসে
তাবে ঐনা চুজবা ।।

৬/৫/২০১২ ইং

## কুইবেদকো নহাকপু

কুইবেদকো নহাকপু
উনদবা ঐখোযনী
কাউদে মিৎকুপ অমতা
খন্নু নঙবু মীবাযবে ।।

নোংজু নুংশা খাঙবদা
শকফম নঙগী হোংলিনি
শজিবুগী নোংলৈদা
নদোম ৱানা খাঙলিনি ।।

ঐহাক লৈতা মবম্না
নুংশুক নুংজানবিনি
নদোম তুমিন লৈদুনা
ৱানা চৈনা খাঙলিনি ।।

পোম্বী চেক্লা কযাগা
অহীং খুদিং পুল্লিনি
ইনুং ঙাল্লা মতমদনা
নদোম তবক লৈবন্নি ।।

১২/১১/১৯৯৮ ইং

## ঐগী লাইব্বক নহাক্ত

ঐগী লাইব্বক নহাক্তি
নোংচুপ্তগী নুমিৎনা
থোক্লককপসে তাবমাক্লে ।।

লোৎলদুনা থমোযদা
থমজবম্বা ঐহাক্না
থমোয অসি কাযবদা
লৈজা পুম্বা ঐহাক্কী
মাঙখিবদা যাওখবে ।।

মাঙখ্রবা লৈনমগী
লোৎখ্রবা ৱাবীনা
মৈগী চীংগুম ওল্লি বা
থমোযসিগী লম্বিদি
লৈত্রে অমুক ঙসিদি ।।

১১/১১/১৯৯৮ ইং

## লোন্না তমগে ঙসিদি

লোন্না তমগে ঙসিদি
বাংলম অসে অবোননা
নঙনা সিদা লাক্রিঙৈ
কুইনবগী ভুংসিদা ।।

মানা মা[illegible]মি মাঙখিবা
মনম [illegible]না লৈবদে
মাঙখি[illegible]গী মরম
ওইন[illegible]বে কনাগী ।।

লোইন[illegible]দীবা নতাক্কী
মমি [illegible] হৌনক্রবা
খোউংগী অমাবদো
লোইবা ডাইনা হিংহৌবি ।।

১২/[illegible]

## নুংশিববু লোক্তুনা

নুংশিববু লোক্তুনা
নুংশিনদা শাকবা
চৈনা ফংলা মতুংদা
কঙা ওনবক্রবোইদো ।।

চৈনাসিদি মসিগী
পান্দ্রমখৈ মশাদা
খঙহিবোইদনে কনাসু,
পান্দ্রনদি কনাদো
[illegible] ।।

[illegible] পেঞ্জনা
[illegible] শানা লৈকনা
খাঙনা অমুক ভুমদ্রবোই
ঙাওবরনি হায়বসে
হায়দোক্তানা ফোঙলক্লে ।।

[illegible]

## মপোকসিমা লোইদ্রিফাও

মপোকসিমা লোইদ্রিফাও
ইনীং তম্না পিবাংসে
শিঙ্গৌ হাযনা তম্নমদবে ।।

খঙই ঐনা মাবুসু
খঙই মানা ঐবুসু
মৈচাকসিদি কল্লবা
অমতনি ঐখোযনী,
অরাবদি ঐহাক্কী
ঐগী ওইনা মসিনি ।।

হৌবদগী অসুম্মক
খুৎশম্নবা ঐখোযগী
খুজেং অনী ঙসিদি
লাম্বা ফংদা লাপ্লবে,
ঐনা অমুক খাঙদৌবি
অসুম হাযনা অসুম্মক ।।

৯/১০/২০১০ইং

## মাগীদমক ঐগীদি

মাগীদমক ঐগীদি
খন্দ্রে অমুক কবিসু
পুন্সিসিদা পুন্সিনা
উৎ ওনবা তাবসু ।।

খঙলবনি ঐহাকসে
ওল্লবনি মৈবানবী
মৈবানবীবু চাক্লবা
মাসু মৈবি ওল্লদবা ।।

মৈবানবীনা পাইশিনবা
মৈবীগীনা চাকথেকপা
মাতনবু পেল্লদি
পেল্লবনি ঐগীসু ।।

৯/১০/২০১০ইং